### ৩৮ শুবা ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট
## পেরদাইজ, আর্বিন্দ ক্লব প্রি ক্বার্টর চঙখ্রে



ইম্ফাল,জানুৱারী ১৯(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসি-এসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩৮ শুবা মেন্স ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসিশান্নখিবা মেটচ অমদা পেরদাইজ পোলোক্লব-বিনা কেএম এমরাইদিং স্কুল-বি শীংজমৈবু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা আর্বিন্দ পোলো ক্লবনা ইবুধৌ মার্জিং পোলো টিম-বিবু ৯-২দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাকখিবা টিম অনীমক প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

পেরদাইজ অমদি কে এম এম আর এস অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টি ঐচ ভগৎচন্দ্রনা অহানবা চক্করগী ৩.৩৫দা পেরদাইজ ক্লবকী অহানবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা ৩শুবা চক্করগী ৩.৪৪দা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। কে প্রেমকুমারনা অরোইবা চক্করগী ১.২০দা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনখি।

শীংজমৈ টিমগী গোল অনী অদুনা এ বিশেশ্বরনা অহানবা চক্করগী ১.২৫ অমদি অনীশুবা চক্করগী ৬.৪০দা চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, আর্বিন্দ ক্লব অমদি ইবুধৌ মার্জিং টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচতা আর্বিন্দ ক্লবকী কেপ্টেন এ কে ইবোমচানা গোল ৪, এ অবুংনা গোল ৩ অমদি এস রঞ্জননা গোল ২ পূন্না গোল ৯ চনবা ঙমখি।

ইবুধৌ মার্জিং টিম-বিগী গোল অনী অদুনা য়ুমখাইবম নাওবোই অমদি কেপ্টেন খুরাইজম প্রেমানন্দনা অমমম্ চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ইরাই নুমিৎতা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনী শান্নরগনি।

### পুপু কপ : রাকেশকী হেটট্রিকনা
## ঈ য়ু এস সী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল,জানুৱারী ১৯(ঐচএনএস): এন জি রাকেশনা চনখিবা গোল ৩গী মতেংনা ঈ য়ু এস সী তেলৌনা ৱাই দি সী এল-এ পুংদোংবমবু ৩-১দা চথরিবা ৭শুবা পুপু কপকী ঙসি পুংদোংবম গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঈ য়ু এস সীনা লল্লাই এফ সীগা থা অসিগী ২১দা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

রাকেশকী অহানবা গোল অদুনা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা চনখি। মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল অদুনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

পুংদোংবমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা পারিথোইনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা চনখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা পুংদোংবমগী সনামচা অমদি তেলৌগী ইবোতোম্ববু য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

### হোক্কী ৱর্ল্ড কপ
## ইন্দিয়ানা ৱেলস থোইখ্রে, ন্যু জিলেন্দগা ক্বার্টর ফাইনেলগী মফম কন্নবা থেংনরগনি

ভুবনেশ্বর,জানুৱারী ১৯(এজেন্সী): কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা চথরিবা এফ আই ঐচ হোক্কী ৱর্ল্ড কপকী পূল দিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়ারিবা ৱেলসপু ৪-২দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা গ্রুপকী অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে।

গ্রুপ অসিমক্কী ঙসি অঙনবদা স্পেন অমদি ইংলেন্দ অনীনা শান্নখিবা মেটচতা ইংলেন্দনা স্পেনবু ৪-০দা মায়থীবা পীরমখিবদগী গ্রুপকী টোপ ওইনা ইন্দিয়ানা ৱেলসপু গোল ৮গী মার্জিনগী মথক্তা কাবা মথৌ তাখিবনি।

ইন্দিয়ানা ক্বার্টর ফাইনেলগী মফম কন্নবগীদমক ন্যু জিলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি।



ইন্দিয়া অমদি ৱেলস অনীনা শান্নখিবা মেটচতা সমশেরনা শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অকাশদিপনা শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৱেলসপু ২-০দা মাংজিল থাখি।

গেরেথ ফর্লোংনা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী ৱেলসকী অহানবা গোল চনখি। অদুগা জেকোব দ্রেপ্পরনা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ২-২দা লৈহনখি। টিম অনীনা স্কোর মান্নরবা মতুং অকাশদিপনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা স্কোর ৩-২দা লৈহনখি। মেটচ লোইরমদাই হর্মনপ্রিটনা শান্নবগী ৬০দা ইন্দিয়াগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনখি।

### ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল
## ৱাই দি সী অমদি ঐচ এন এস সী-বি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ১৯(ঐচএনএস): হাওরৈবী কাংজৈবুংদা চথরিবা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী মেটচ অমদা ৱাই দি সী ক্যামগৈ অমদি ঐচ এন এস সী (ঐচ এ এফ সী)-বি মায় পাকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা পূন্না টিম ৪-ৱাই দি সী ক্যামগৈ, অরাপ্তি এফ সী, সনা এফ সী থৌবাল অমদি সমুরৌ য়ুনাইটেদ প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা ৱাই দি সী ক্যামগৈনা ঐচ এন এস সী (ঐচ এ এফ সী)-এবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ক্যামগৈ টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু জানবনা ২শুবা হাফকী শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ঐচ এন এস সী (ঐচ এ এফ সী)-বিনা ঘড়ী এফ সীবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঐচ এন এস সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কে ঐচ সনায়াইমনা শান্নবগী ১১ অমদি ৩০দা গোল ২ অদুগা এল ফালগুনি অমদি এন জি ধকেশ্বরনা শান্নবগী ২১ অমদি ৩৫দা অমমম্ চনখি। ঘড়ী টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এন ভাস্করনা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি।

### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট
## নাপসানা শেদো রন ৩৪দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ১৯(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা নাপসা খা-ইম্ফালনা শেদো থাংমৈবন্দবু রন ৩৪দা মায়থীবা পীখ্রে।




থাংমৈবন্দ টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা নাপসা খা ইম্ফালনা অপীবা ওভর ৪০দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৯৫ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা শেদো থাংমৈবন্দনা ওভর ৩৬.৩দা ওল আউট ওইদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা রন ১৬১ লৌদুনা নাপসাগী মখূৎতা রন ৩৪দা মায়থীখি।

মেটচ অসিদা থাংমৈবন্দ টিমগী বেটসমেন অহুম-য়োহেনবা থৌদাম, রিওলিন ওইনাম অমদি পারসনা বোল ৪৬, ৩৫ অমদি ৪৫দা রন ৫০, ৩২ অমদি ৩২ লৌদুনা বেটসমেনগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি। অদুগা নাপসাগী বোলর হৈস্নাম বোনি অমদি শেদোগী গুইতে খ্বালমিনলিয়াননা ওভর ৭ অমদি ৮ লংবদা ৱিকেট ৪/৪ লৌদুনা বোলিংগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি।

লোইশিল্লকপদা নাপসাগী ওল রাউন্দর হৈস্নাম বোনিনা বোলিংদা ৱিকেট ৪ অমদি বেটিংদা বোল ৩২দা রন ২৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

অমরোমদা, ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমদি মোদর্ন হায় স্কুলগী গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এন সী এ নিংথৌখোংনা এস দি সী লাইফম খুনৌবু রন ৭৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

এন সী এনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩২দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৩১ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা এস দি সীনা ওভর ১৪.২দা ওল আউট ওইদুনা শুপ্নগী রন ৫৪ লৌদুনা এন সী এগী মখূৎতা রন ৭৭তা মায়থীখি। মেটচ অসিদা এন সী এগী রাজকুমার চৌরজিৎনা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ৭ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

## প্রধান ট্রোফি : কে ৱাই ভি ও অমদি য়ুনাইটেদ ক্লব ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ১৯(ঐচএনএস): হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা হয়েল গ্রাউন্দদা চথরিবা প্রধান ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা কে ৱাই ভি ও লৈমপোকপম অমদি য়ুনাইটেদ ক্লব লৈফ্রাকপম ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কে ৱাই ভি ও লৈমপোকপমনা লনচেনবী এফ সীবু টাই ব্রেকতা ৫-৪দা মায়থীবা পীখি।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল ২/২ চন্নদুনা দ্রো ওইখি। লৈমপোকপমগী গোল অনী অদুনা দেমননা শান্নবগী ৩৭ অমদি ৪৭তা চনখি। লনচেনবীগী গোল ২ অদুনা নাওচানা শান্নবগী ২৪ অমদি ৬৩দা চনখিবনি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা লনচেনবী টিমগী মায়কৈদগী পিয়াবোন অমদি রোহিটনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা কে ৱাই ভি ওগী মায়কৈদগী গোবিন, দিদরসন অমদি রিচার্দনা গোল ওন্থোক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ ক্লব লৈফ্রাকপমনা সী টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল এফ সী ময়াং ইম্ফালবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ুনাইটেদ ক্লবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জেকনা শান্নবগী ৫৩ অমদি ৫৬তা গোল ২ অদুগা লালমিনলালনা শান্নবগী ১৫দা গোল ১ চনখি। জোনিনা ময়াং ইম্ফাল টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনখি।

### ১৫শুবা সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## লিৱা চংনিং, জাফৌ-এ ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ১৯(ঐচএনএস): সির্তি ওলিম্পিক্স এসোসিএসন (এস ও এ)না শীন্দুনা লিৱা সরৈ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৫শুবা সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা কেটগোরিগী সেমীফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা লিৱা চংনিং অমদি জাফৌ-এ ফাইনেল চঙখ্রে।

ভেটরান কেটগোরিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লিৱা চংনিংনা লিৱা সরৈবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

লিৱা চংনিংগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী মরুওইবা গোল অদু দল্লিয়ু জিমসননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬১ শুবা মিনটতা চনখি।

মায় পাকখিবা লিৱা চংনিংনা চাংনেগা কাঙলূপ অসিগী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, ওপন কেটগোরিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা জাফৌ-এনা মিলিনবু ৭-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

জাফৌ-এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস ঐচ মার্কোনিনা ২ অদুগা দল্লিয়ু রোজর, এস ঐচ লায়ল, দল্লিয়ু ৱাইজফাইন, দল্লিয়ু ষ্ট্রোংঙম অমদি কে ঐচ ওলৱিনসননা অমমম্ চনবা ঙমখি।

মিলিনগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা টি এস বিসেশ্বরনা শান্নবগী ৪১ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

### ৪২শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীট
## চকপীকারোং অমদি রালরিংখু য়ুঠ ক্লব সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ১৯(ঐচএনএস): চকপীকারোং পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ৪২ শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীটকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা চকপীকারোং য়ুঠ ক্লবনা রুংচাং য়ুঠ ক্লবপু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

বেনোনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা চকপীকারোংগী অহানবা গোল চনখি। কার্গিলসননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনখি অদুগা ফোলসন এল ঐচনা শান্নবগী ৭০ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা রালরিংখু য়ুঠ ক্লবনা সিনরুং ব্রদর্সপু টাই ব্রেকতা ৫-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা ১-১দা দ্রো ওইখি। রালরিংখুগী গোল অদুনা নাংতোংনা চনখি। সিনরুং ব্রদর্সকী গোল অদুনা ৱার্নিংঙমনা চনখি। মখা তাবা টাই ব্রেকতা সিনরুং ব্রদর্সকী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৩না গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা রালরিংখুগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৪না গোল ওন্থোক্তুনা সেমীফাইনেল চঙখিবনি।

## সীপিকোন ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ১৯(ঐচএনএস): পার্বুং মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৭শুবা লেফটনেন্ট কর্নেল রভিব বাক্সি মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অমদা সীপিকোননা ফেরজেলবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ ইরাই নুমিৎতা শান্নরগনি।

## কে কে এলনা শীন্দুনা সেমিনার কম দিস্কসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জানুৱারী ১৯(ঐচএনএস): কংলৈপাক কনবা লূপ (কে কে এল)না শীন্দুনা 'ফ্যুচর ওফ স্পোর্টস ইন মণিপুর ৱিথ ফ্যের প্লে' হায়বা টোপিকতা নোংমগী ওইবা সেমিনার কম দিস্কসন অমা থা অসিগী ২০ ইরাই নুমিৎতা অয়ূক পুং ১১দগী হৌদুনা মেজর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি।

সেমিনার কম দিস্কসন অসি সেসন অহুম থোক্না খায়দোক্কনি অমদি ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী হান্নগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মণিনা প্রিসাইদ তৌগনি।

অহানবা সেসনদা ওলিম্পিয়ন কে এস ঐচ থোইবা, মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস ইন্দ্রকুমারনা ৱা ঙাংগনি। অনীশুবা সেসনদা এম ও এগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম রাচন্দ্র, হোক্কী ইন্দিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বম, মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী হান্নগী সেক্রেটরি সী ঐচ তরুনকুমার অমদি স্পোর্টস কম্মেন্টেটর রত্নেশ্বরী গোস্বামীনা ৱা ঙাংগনি। অহুমশুবা সেসনদা মণিপুর এমেচর কারাটে এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কিরনকুমার থাংজম, হোক্কী মণিপুরগী সেক্রেটরি লাইময়ুম বসন্ত, ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট শরত কোন্সম, স্পোর্টস কম্মেন্টেসন শরতচান্দ থিয়াম অমদি ধনবির লাইশ্রমনা ৱা ঙাংগনি।




HL-P/5089/2/12-30/01

## দি এম এফ সী, এস দি ও দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ১৯(ঐচএনএস): ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ইরেংবন্দ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দি এম এফ সী মোরে অমদি এস দি ও পল্লেল ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

মোরে টিমগী গোল অনী অদুনা অজে অমদি লানঙম্বনা শান্নবগী ৪ অমদি ৩১ শুবা মিনটতা চনখি। পল্লেলগী গোল অনী অদুনা মখোন অমদি থৌবনা শান্নবগী ৩০ অমদি ৩৪ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নগদবা মেটচ অমদা এস এম এল ৱাই সী সোরা মতম চানা রিপোর্ট তৌরদবদগী হৈরোক য়ুনাইটেদনা ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাকখ্রে।




HL-B/7933/4/12-3/02



HL-P/7975/12

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 692

**Thomas Gipp - Nicole Rudzinski (1861)**
**Mecklenburg VP LL2 West 0405 Mecklenburg VP, 2004.12.12**

1.d4 Nf6 2.c4 g6 3.Nc3 Bg7 4.e4 d6 5.f3 Nbd7 6.Be3 a6 7.Qd2 b6 8.Bd3 Bb7 9.Nge2 c5 10.O-O cxd4 11.Bxd4 O-O 12.Nd5 e6 13.Nxf6+ Bxf6 14.Bxf6 Qxf6 15.Qc3 Qe7 16.Rad1 Rac8 17.Qb4 a5 18.Qd2 Ne5 19.b3 Nxd3 20.Qxd3 Rfd8 21.Qe3 Qc7 22.Nc3 Qc6 23.Rd3 Rc7 24.Rfd1 Rcd7 25.Na4 b5 26.cxb5 Qxb5 27.Nb6 Re7 28.Rxd6 Rxd6 29.Rxd6 Ba6 30.Nc4 Rb7 31.Qd4 Rb8 32.Qa7 Qb4 33.Rd1 Bxc4 34.bxc4 Rc8 35.h3 Qxc4 36.Qxa5 Qc2 37.Rd8+ Kg7 38.Qe5+ Kh6 39.Rxc8 Qxc8 40.a4 Qa6 41.a5 Qc4 42.Qd6 Qc3 43.a6 e5 44.Qf6 Qc7 45.Kh2 Qa7 46.Kg3 Qc7 47.Kh4 Qa7 48.g3 Qc5 49.Qxf7...

**QUESTION :**
**Black to draw**

**Puzzle 691 Ans. :**

32. Bf8 Bh4 33. Qf5 Mating net
Rg6 34. Qh5 Mating net
Kg8 35. Qxh7# Triangle mate Damiano's rook mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com